# এনইসিগী মীফমদা মণিপুরদা
# হেলিকোপ্টর সার্ভিস থম্নবা তকশিনগদৌরি

*থৌদাং পাউমীদগী*

*ইম্ফাল, এপ্রিল ২২ ঃ* ষ্টেটসিগী চীংগী দিষ্ট্রিক্টশিংদা লম্বী-থোং ফত্তবনা চৎথোক-চৎশিন তৌবদা খুদোংচাদবা কয়া মায়োক্নরিবসি কোক্নবা হয়েংদগী হৌনা শিল্লোংদা পাঙথোক্কদৌরিবা এনএসি এন্দ এনইসিগী মীফমদা হেলিকোপ্টর সার্ভিস লৈহন্নবা চিফ সেক্রেটরিনা তকশিল্লুনবা ঙসি ইম্ফাল থাদোকখ্রে।

মীফম অসিদা শরুক য়ানবগীদমক্তা কম্মিস্নার হেলথ/ এডুকেসন (য়ু) মোসেস চলাই (আইএএস), স্পেসিয়েল সেক্রেটরি এন্দ ডাইরেক্টর য়াস শ্রী ঐচ দিলিপ (আইএএস) অমসুং ডাইরেক্টর ইন্সটিট্যুসনেল ফাইনান্স শ্রী টি রঞ্জিৎ (আই এ এস) সু ঙসি ইম্ফাল থাদোকখ্রে।

হয়েংদগী হৌনা নুমিৎ নিনি চুপ্পা শিল্লোংদা এনএসি এন্দ এনইসি গী মীফম পাঙথোক্কদৌরিবা অসিদা সিভিল এভিয়েসনগী মতাংদা খন্নরকপদা মণিপুরগী চিফ সেক্রেটরিগী মায়কৈদগী ইম্ফাল-তমেংলোঙ- জিরিবাম- তমেংলোঙ- ইম্ফালগী হেলিকোপ্টর সার্ভিস য়ামদ্রবদা হাপ্তা অমদা অহুমলক অদুগা ইম্ফাল- মোরে- ইম্ফালনা নুংতিগী হেলিকোপ্টর সার্ভিস লৈহন্নবা তকশিনগদৌরি।

মমাং চহি ২০১১ গী এপ্রিল ২৫ দা পাঙথোকখিবা এনইসি গী মরিরক শুবা ৱার্কিং গ্রুপকী মীফমদা নোর্থ ইষ্টতা হেলিকোপ্টর সার্ভিস তৌরিবা 'পাৱান হন্স' কী মায়কৈদগী নোর্থ ইষ্ট রিজন্দা হেলিকোপ্টর কনেক্তিভিটিগা মরী লৈননা প্রপোজেল অহুম সবমিট তৌখি। হায়রিবা প্রপোজেল অদুদা ১২ শুবা প্লানদা এনইসিগী মায়কৈদগী নোর্থ ইষ্ট রিজন্দা হেলিকোপ্টর কনেক্তিভিটিগী মতাংদা এনইসিনা খন্নবা অমসুং মসিগী বজেটরি সপোর্ট ওইনা এনইসিদগী লুপা ক্রোর ৮৪০ পীনবসু তকশিনখি।

হৌজিক ফাওবগী ওইনা পাৱান হন্সনা নোর্থ ইষ্ট রিজন্দা হেলিকোপ্টর ১১ সার্ভিস তৌরি। লোয়ননা ১২ শুবা প্লানদা তোঙান তোঙানবা মখলশিং, কেপাসিটিগী ইঞ্জিন অনি পানবা অতোপ্পা ২০ অমগা হেনগৎনবসু থৌরাং তৌরি হায়বগী ৱাফমশিংসু প্রপোজেল অদুদা য়াওরি হায়রি।

অমরোমদা পাৱান হন্সনা পুখৎলক্লিবা প্রপোজেল অদুগা মরী লৈননা এনইসিগী প্লানিং এদভাইজরনা হেলিকোপ্টরগী সার্ভিস লৈত্রিবা মণিপুর অমসুং মিজোরাম য়াওনা নোর্থ ইষ্ট রিজনগী ষ্টেটশিংদা ভিজিট তৌনবা পাৱান হন্সতা খঙহনখি। লোয়ননা নোর্থ ইষ্ট রিজনগী ষ্টেটশিংদা হেলিকোপ্টর সার্ভিস লৈহনবদা দরকার লৈবা ইনফ্রাষ্ট্রকচর দিভলপমেন্ট য়াওনা হেলিপেদ কয়া লৈগদগে, করম করম্বা রুটশিং / সেক্টরশিংদা সার্ভিস লৈগদগে, ত্রেভেল দিমান্দ য়াওনা ষ্টেট গভর্নমেন্টনা প্রপোজ তৌবগী মতুংইন্না সার্ভিস তৌগদৌরিবা অদুগী কেপাসিটি অমসুং কয়াম তোয়না লৈগদগে হায়বদুগী অকুপ্পা রিপোর্ট অমা চহিদুমক্কী মে ১৫ দা এনইসিদা সবমিট তৌরক্নবা খঙহনখি। অদুম ওইনমক হৌজিক ফাওবগী ওইনা পাৱান হন্সকী মায়কৈদগী মণিপুরদা ফিল্ড ভিজিট তৌরবা লৈত্রি অমসুং ইশু অসিগী মতাংদা রিপোর্ট অমত্তা ফংবা লৈত্রি হায়বগী ৱাফমশিং এনইসিগী মীফম অদুদা প্রাইওরিটি বেসিসতা চিফ সেক্রেটরিগী মায়কৈদগী পুখৎকনি হায়রি।